
# “লিননা মখুল চঙলমদাই চুম্মী-!”

- এল ইবোমচা -



মকোক (লিদর) ওইবা হায়বসি তরাই তরাইবা নত্তে। ইংলিস অমদি হিন্দি খরা মচিন্না ব্রঙ-ব্রঙ ঙাঙদুনা মতৌ য়াম্না মালহল্লগা, ৱাখলনা শারগা থবক তৌবা মীওই অমনা মীয়ামগী মকোক ওইরবদি লৈবাক কাং-খোং চাইবা অমদি মাঙ তাকপা মশানা তাবনি। মরম অসিনা মকোক ওইবা হায়বসিদি পোলিটিক্স হৈবা অমা চঙই। হৈবা অমা চঙলবনিনা খঙনবা তম্বা হায়বা অমা চঙই। মরম অদুনা মকোক ওইনীংলবদি পোলিটিক্স খঙনবা, পোলিটিক্স হৈবা ওজা-গুরু অমা খনবা মথৌ তাই। তৌরুবা থবক খুদিং মায় পাক্লনবা অখঙ অহৈদগী পোলিটিক্স তম্বা মথৌ তাই। অহানবদা পোলিটিক্স কদাইবু কৌবগে হায়বসি হান্না খঙনবা হোৎনবা মথৌ তাই। মদু নৎত্রবদি মীয়ামগী লুচিংবা ওইগে হায়বা খক খনফদে।

রামায়নগী ৱারীদা য়াওরিবা রামরাজ্য হঙ্গৎনা নীংশিংমিন্নবা য়াই। মদুদি অযোধ্যাদা শ্রীরামনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লকপদা অযোধ্যা লৈবাক্তা হুরান চিন্থি, মীহাৎ-মীপূন য়াওদনালৈবাক মরা তপ্লা ঈংনা চিক্লা নুংঙাই য়াইফনা চাবা থকপা ৱাত্তনা পানখিবা অদু ঙসি ফাওবা রামরাজ্য হায়না মীয়াম্না শীংথানৈ। শ্রীরামনা মাগী রামরাজ্য লীংবদা অখঙবদগী পোলিটিক্সকী লেশন তমহৌই। মদুদি মহাক রাবনগা অকনবা লান শোক্লখি। লান অদু শ্রীরামনা মপাগী ৱাশক ঙাকপা ওইনা মহাক্কী লোয়নবী সিতা, মনাওনুপা লক্ষ্মনগা লোয়ননা মখোয় অহুম বনদা চহী ১৪ পূন্সি লেল্লিঙৈদা লঙ্কাগী নিংথৌরেল রাবননা সিতা হুরাল্লগা পুখিবগী ৱাহৌদগী লান শোক্লখি। লান অদু তরায় তরায়বা লান অমা ওইখিদে, সমুদ্রদা থোং শাদুনা লম্বী শেল্লিবনি। হনুমান, শুগ্রিবা, জাটায়ু অমদি রাবনগী পোকমিন্নবা মনাও বিভিষননচিংবা রামগী মীচংদা লেপ্লিবনি। হনুমাননা লঙ্কা লৈবাক তুমবা মৈ থারিবনি। মালেম অসি লানগী চৈথেংনা থক-থক নিক্লিবনি। জগৎকী লাই কোতি কুন্থ্রানা মালেম অসিবু করম থোক্লগবা হায়না স্বর্গদগী থৱায় ৱানা য়েংথরক্লিবনি।

লঙ্কাগী নিংথৌ রাবন অচম্বা মীশক নত্তে, ব্রাহ্মননি, পণ্ডিৎনি, মহা যোগীনি। মহাক বিশ্রাবা ঋষিগী মচানুপানি। মাবু রাবন হিংচাবা হায়রগসু খঙনৈ। মদু মহাক্কী মমা অদু হিংচাবা শাগৈগী নিঙোল ওইবদুদা মঙোন্দসু হিংচাবগী মগুণ চেল্লমগনি খন্দুনা হিংচাবা হায়নরিবনি। মালেমগা স্বর্গগা ইরায় লায়না চৎথোক চৎশিন য়ানবা সনাগী কৈরাক থানবা হোৎনরম্বা নুপানি। অদুবু ঙসি হয়েং ঙাইদুনা নিংঙাইদনা লৈথোক্লিঙৈদা শিবনা হানখিবদগী সনাগী কৈরাক থাবা ঙল্লমদ্রে হায়না মানা শিরমদাইদা হায়রম্বা লৈ। ঙসি মীয়াম্না অফবা থবক তৌগে খনবদা ঙসি-হয়েং ঙাইগনু হায়নরিবা ৱা অসি রাবননা সনাগী কৈরাক থাবা ঙল্লমদবদা হায়রম্বা ৱাহৈদুমক নীংশিংলগা ঙসি ঙসিমক মীয়াম্না হায়নরিবা ৱাহৈনি।

শ্রীরামগা অকনবা মওংদা লান্থেংনবদা লানবুংদা শ্রীরামগী তেননা পানবদগী রাবন লমাইথক্তা তাদুনা লৈরম্মী। মতম অদুদা শ্রীরামনা মনাও লক্ষ্মনদা হায়রক্লম্মী - ঐখোয় হয়েংমক অযোধ্যাদা হন্দুনা নিংথৌ ওইরুরগনি। ইপা মহারাজসু থুপখ্রে, লৈঙাক্লোনসু মঙোন্দগী তমহৌদ্রে। ঐখোয়না শাংলবা চহী ১৪ বনদা পূন্সি লেল্লুবনা পোলিটিক্স তমহৌদ্রে, লৈবাক করম্না ঙাক্কনি খঙলরোই। অদুনদি রাবনদা ওইনা মতৌ করম্না লৈবাক ঙাক্কনি হায়বদুগী পোলিটিক্স তমহৌরসি। মরমদি মহাকসি নিংথৌরোলনি, ঋষিনি, মহা পণ্ডিৎ অমনি। মঙোন্দগী তমহৌবা নত্তনা অতোপ্পা অমা লৈতে। থুনমক চৎলসি হায়নদুনা মচিন মনাও অনী হৌনদুনা রাবনগী মনাক তম্না লাকমিন্নৈ।

শ্রীরামগী তেননা পানবদগী চৈনা খাঙদুনা শিগদবগী শ্বর মতৎ-মতৎ হোন্দুনা লৈমাইদা অশিবগুম তাদুনা লৈরিবা রাবনদা চংশিন্দুনা ৱাহং হংলম্মী, - হে নিংথৌরেল, হে ব্রাহ্মন, হে পণ্ডিৎ, হে ঋষি নহাক্কী নফমদগী লৈঙাক্লোনগী মরমদা খরদং তমজহৌগে অসিমত্তংদি থৌজ ানবীদুনা তাকপীরম্মু। মদুদি পোলিটিক্স হায়বসি কদায়বু কৌবগেনে?

রাবনগী থম্মোয় লকাদা তুংদুনা লৈরিবা নিংথৌরেল, ব্রাহ্মন, ঋষি, পণ্ডিৎ ওইবগী গুণ অদু মচিন্দগী কাংবা হৌরকই। শ্বর শাংনা হোল্লগা মতৎ-মতৎ ওইবা ৱাহৈদা - “হে শ্রীরাম নহাক্তি জগৎকী মপুনি, নঙোন্দা তাকপা ঙম্বগী ঐঙোন্দা ইতিক লৈজদে। মরম অদুনা রঘু শাগৈগী লক্ষ্মন নঙোন্দা ওইনা তাক্লম্লগে ইনাক্তা থুনা চঙশিল্লকউ, লাকও মতম লৈত্রে, শিবনা হানখিবা তারে!”

ৱাহৈ অদু তাবদা লক্ষ্মন রাবনগী মখোঙদা তুদুনা লৈখ্রে। গুরু অমনা মাগী শিষ্য অমদা তাক্লম্বগুম তাক্লকই, “তাল রাঘুবংস শাগৈগী লক্ষ্মন, নহাক্লা অহানবদা তৌগদবা নথৌদি নহাক্কী বুধি লৌশিং শীজিন্নদুনা অচুম-চুমদবা খন্দোকপা হৈগদবনি। তৌফম থোকপা অচুম্বা অফবা থবক্তুদদি হোরেন হয়েং য়ৈথোক্কনু, থবক ওইনা খুদক্তা পাঙথোক্লবা হোৎনৌ। অতোপ্পনা করি হায়রক্কনি চিংনরুনু। মসিনি পোলিটিক্স হায়বদু খঙউ।” মসি হায়রম্লগা রাবন অরোইবা নিংশা শ্বরদু হোল্লম্লগা মথ্বায় থাখি। রাবনসি লক্ষ্মনগী অশেংবা গুরু ওইখ্রে। মহাক্কী অসিগুম্লবা মমল য়াম্লবা পাউতাক অসি শীজিন্নদুনা শ্রীরামনা অযোধ্যাদা লৈঙাকপদগী রামরাজ্য হায়না শীংথানখিবনি।

অদুনদি মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিদাংদগী কুকিশিংনা মীতৈশিংদা চথুরকখিবা লান অসিমক লুচিংবা মকোক মতিক চাদবদগী থোক্লকপা ওইগনি হায়বা য়াই। পোলিটিক্স করিনো খঙদবা মীওইনা লৈঙাক্কী লুচিংবা মকোক ওইরবদি হীরম খুদিংমক্তা অশোয়বগী অশোয়বা ঙাক্তনা চয়োম শাদুনা লৈবা তাবনি। হায়বদি থোকহন্নীংদবা থৌদোক-ৱাথোক থোক্লকপা মতমদা মদুবু সোল্ব তৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা মশাদা অকিবা ফাওবনা হানখিদুনা অতোপ্পদা মরাল থংজিন্নবা হোৎনগল্লি। ঐনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোক-ৱাথোক অসি থোক্লকখিবনি হায়বসি মশানা য়াজবগী মহুত্তা মীঙোন্দা তাইশিল্লগা মশা নান্থোকখিনবা য়ারিবমখৈ হোৎনদুনা লৈগনি। মসি অতৈ অমগী নত্তে মশাগী বুধি লৌশিং শীজিন্নদুনা অচুম চুমদসু খন্দোকপা ঙমদবদগী থোক্লকপনি। ইশম শম্না হায়রবদা মকোক ওইনিদি খঙবা অদুগা পোলিটিক্স কদাইবু কৌই খঙদবা অদুনা থোকহল্লকপনি। পোলিটিক্স তৌবা হায়বসিদি মীবু কিহন-খঙহনবদসু হৈগদবনি, অদুগা মনা পীদুনা থাগৎপদনা অমুক্কা হেন্না হৈগদবনি।

তৌবদি ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংদি মতিক চাদবা মীওইশিংনা লুচিংবা ঙাক ওইদুনা লাকপনা শোয়দুনা লাক্লিবসি ঙসি ঙরাংগী ৱা নৎত্রে, কুইরে মওং মরীল তাদনা লাকপা। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা চহীদুদগী ঐখোয়গী মীহুৎশিংবু ইন্দিয়ানা ফত্ত-হাওদি (কচ্চারা) ওইনা উবগী মমি অমা চাউনা তাদুনা লাকই। মদুগী খুদম মশীং খঙদনা লৈখ্রে।

ফোং ফোং লাউনা শারিবা খুদম মচা অমত্তং হায়বা তারবদি কুকিশিংনা মীতৈশিংদা অকনবা মওংদা লান্দারক্লিবা অসিগী মতাংদা মণিপুরগী এম এল এ / মিনিষ্টরশিং ময়াম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ৱাকৎচবদা তাবীনবা লুচিংবা অমত্তা লৈতে। লান অসিদা মীতৈ অমদি কুকি পূন্না মীওই ২৬০গী মথক্তা শিখ্রে। মীওই ৩০গী মথক্তা থিবা খঙদনা লৈরি। য়ূম লিশীং মঙাগী মথক্তা মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রে, মীওই লিশীং ৬৫ / ৭০ লাঞ্জেন্নখি। মসিদা ইন্দিয়ানা ইচম চম্না খন্দোক্তুনা লৈবদি য়াম্না লানগনি। মসি ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিদি মণিপুরদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমকসি মী ওইনা উদবনি, মী উশিত্তবনি হায়নীংই।

অশেংবগীসু কুকিশিংনা হৌরক্লিবা লাঞ্জাও অসি মীতৈশিংদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তানবনি। হায়বদি কুকিলেন্দ কন্ত্রি শেমগে হায়বগীনি হায়বসি শীংবগী জাৎতা ঈশিং মনুংদা ঙানপ্পা মথী ফায়বদা ফাওবা উরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা করিগী খঙলল্লোই। প্রাইম মিনিষ্টরনা কুকিশিংদা ৱাহং খরদং হংজিনবদা মরন্নাই অদুম তোকচখ্রগদবা অদু কুকিশিংবু লুম্না লৌবদগী হংদনা লৈরি মদুদি নখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ অসি মীতৈশিংনা অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা পীবা ঙম্বা? অমদি নখোয়না সূগী গ্রাউন্দ রুল থুগায়রবনিনা নখোয়গী নথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌবা হৌরগনি। মসিদা নখোয় নশা নশানা য়াজরব্রা? ৱাহং অনীসি নমহং হংজিনবদা - ওহ! মাই গোদ, লাউরম্লগা ‘লিননা মখুল চঙলমদাইদা চুম্মী-!” হায়গুম্না মখোয় ঙম্না মখুল মখুলদা চঙনখিগনি।-? ●

# ’সিবু মথং মপোক হায়দুরা ! (৩)

- বি সী খুমন -

লেপ্তুনা চুরিবা ইঙাগী নোংজু শোয়দনা লেপখিনি। অহৌবা লৈবনা অরোইবা লৈবসু ওইরমগনি, তাইবঙগী চৎনবীনি। অদুবু ঙসিগী ‘ৱারী লাইরিক’ কয়ানা লোইশিনফম মফম খঙদনা অপাবশিংবু ককঙাওনহনবা কয়া য়াওরক্লিবসি অইবগী থোইদোকপা মগুণনরা নৎত্রগা মপুগী লীলানা থম্মোয় কয়াবু ৱাখল ঈপাক্তা ইরাক্লহনবরা? খঙদে, লাংলেনগী পূন্সিগী ৱারীদা মকোক-মমৈ শম্নদবা ঙাক্তনা মশরুক ওইরি’সিসু মপু মাগী থৌইনশিন মাল্লক্লি। তাইনফম লৈতবা মরাইবক্কীদমক লাংলেন ঙসিদি ঙম্নমক থেংনরগে লেপখ্রে। অৱাবা, নুংঙাইতবা, পেন্দবা লাংলেনগী মফমদা থোইদোক্ত্রে। নোংমদি নুংঙাইরকখিনি হায়বা ৱাখল, লাংলেন শুকখন খনখিদ্রে। হিংলদি লান্থেংনগদবনি হায়বসিনা লাংলেন পূম্নমকপু কাউথোকপা ঙম্লে। লাংলেন অচৌবা লান্থেং অমা মায়োক্লনবা শেম শারি, কনাগী মতেং য়াওদনা।

ঙসিদি লাংলেনগী মচা শল্লবা ডা. সনাজাওবগী মপা ইবুংঙো নোংয়াই লাক্কনি হায়বগী ইমুংদু মরাং মরাংলি। মমৌ তম্ফা, মশু অঙম্বা অয়ূক্তগী হৌনা মথৌ চিল্লি। লাংলেন চাকখুমদা ঙসাইদগী মথৌ মশক খঙনা ময়ামগী চান-থক্লবা শীন লাংবা লেপত্রি। পূক্নিংদি ৱাই চিল্লি, করিদি তৌরুনি, থেংনবা তাই খল্লি। নোংয়াইনা মাবু করিনি খনখিনি হায়বসিমত্তংদি লাংলেন খনফম খঙদে। নহা ওইরিঙৈ নুংশি-মপাং ওইরম্লসু ঙসিদি মীনাই পূন্সি ওইনা মফমসিদা লেল্লি। ফনমক মখোয়না মমামক্কু লুনা চান্না তৌবীরসু লাংলেন মশাদা নাপল য়াওদা, মীনম্বা য়াওদা, মথৌ মশক খঙনা শুরি, নোল্লি। ঙসি ঙসিনা অমুক মশুনুপা অঙম্বগী মহৈ-মশিং তম্বগী কুপ্নোম ময়াম লাংলেনগী মশরুক্লি। ওজাগী পূন্সিনিনা মশুনুপাগী অশোয়বা য়াওদনবা তাকপী তম্বীরি। লাংলেন লাকঙৈদগী অঙম্বসু ঙসি ফাওবা ক্লাসকী টোপ্পর ওইদুনতা লৈরি। গাড়ী থৌজিল্লকপগী হোর্ন মখোলদুদা থংনবা কাদগী অঙম্বা চেন্থোরকই, লাংলেনগী মনাক্তা চেনশিল্লক্লগা,

“বোবোক- পুপু লাক্লে, লাকও...” মবোক্কী খুদাং পায়না চিংলি।

“ঙাইখোনে, অঙাওবসিদি! বোবোক খূৎ থাদোকপা য়াদ্রে, নঙ থোক্লুরা, নমাদা মৈ ওকথোকউ হায়রু...”

অঙম্বা চেন্থোকখ্রে। মমাদা করি-করি হায়রুবনো মমৌ তম্ফানা ইমুংলোমদা ওনশিল্লগা “ইমা মৈখেৎ অমত্তগা চেজেৎখরগা অমুক্তা...”

লাংলেন শ্বাই লাওই। থুনা য়াঙনা মৈখেৎকা চেগা পুথোক্তুনা মাঙ্গোন্দা থমগে তৌবদা মমৌনা “সিদা পুবিরক্লো ইমা, সে বাবাসি মৈ অমুক্তা ওকথোকপীয়ু...!”

পাম্বৈ লৈত্রবী লাংলেন মকোক খুমজিল্লগা মমৌগী য়াথং ইল্লি। মৈ ওক্লে, লোইরে। লাংলেন থুনা য়াঙনা ইমুং চঙগে তৌবদা- “ইমা- ঙাইখো-ও...” লাংলেন মমৌগী মায়কৈ তম্না ওনশিল্লকপদা নোংয়াইনা ঙক্লা লাংলেনবু য়েংদুনা লৈরম্লে। লাংলেনসু হায়ফম তৌফম খঙদ্রি।

“য়েংউ তু ইমা, ঐগী ফাদর ইন লো। বাবা, ইমাগী মিংনা লাংলেন” ময়া ইহি হিগৎনা ডাক্তর তম্ফানা অমুকসু- “বাবাগা ইমাগসি হান্না খঙনরমগদবা মাল্লি...” হিগৎ-হিগৎনা লাংলেন পোৎ চৈ পুশিন্দুনা চঙখ্রে। ঙসাইদগী মমাগী মতৌ য়েংলম্বা অঙম্বনা য়াম্না তপ্পা, “বোবোক- পুপু লাকপদা হরাওদ্রি কৈগীনো। পুপু-বোবোক্কা নঙগা খৎনব্রা?

মশুগী কোচি থাংবা ৱাহংদুদা লাংলেন, নোংয়াই খুম্ফম খঙখিদ্রে। তৌফম খুম্ফম খঙলমদবদগী ৱাখল তারক্তুনা লাংলেন্না মশুবু নুংশিনা কোনবীরগা - “কৈদৌরগে ইশুবো? ঙসিদি বোবোক ইশা নুংঙাইতে অদুননি লাকও-লাকও চঙলসি...”

লাংলেন মশু শম্লগা চঙখ্রে। নোংয়াই তরং মালংননা লেপ্তুনা লৈহৌই। গেরেজদা কার থৌজিল্লুবা ডা. সনাজাওবা লাকপদা ৱাখল তারকই। মচানুপানা - “বাবা চঙলসি... করি য়েংলিনো...”

“ইশুনুপাগী ৱাহংদা ঐ পুমঙাও ঙাওখ্রে ওন্থোক্লা হৈথোই শিংথোইরমখ্রে, লেম্না মাঙলোই ইশুসি”

“মবোক্কী মশু ওইখ্রবনি। মবোক শোকপা য়াদবনি”

ইমুংদা চঙনা চঙনা নোংয়াইনা খল্লি- করিনো ঙসিগী মতৌসিবু- মঙ নত্তেকো!

চাক চানবা দাইনিং টেবলদা ময়াম কোয়না ফম্মী। লাংলেননা ময়ামগী অৱাৎ-অপা য়েংলি। মমৌ তম্ফাসু ঙসিদি মমাগী মতেং ফজনা পাংলি। মায়থোঙ মকা লাল্লি। মচানুপা অঙম্বসু মপাগা থংননা ফমখ্রে, তম্ফাসু মচানুপাগী নাক্তা ফমখ্রে। তপ্পা মচানুপাদা- “অঙম্বা বোবোকতি কদায়দা ফম্নি...”

থৌ-ৱা শাদনা, “পুপুগা ফম্মীন্নরো, বোবোক...”

সনাজাওবনা - মচানুপাদা য়েংলি, ৱাদি ঙাঙদে। তম্ফাদি নোকপা খাঙবদা মমায়দু শকফম ওনগুম্মী।

“ইমা-নশুনা হায়রিসি তাদ্রো? ফম্মোদনা... চাক চানবা তৌরসি” নোক্লি, মরৌ লৈবী তম্ফা।

“ইমা অৱাৎ-অপা য়েংখিগে চাবা হৌরো ...” লাংলেনসু অদুম নোক্লি। অঙম্বনা- “পুপু বোবোক কৌশিল্লু খৎনবা ফত্তে...”

নোংয়াইদুসু খংপ্রেক খংনা- “হা! ময়াম পূন্না চামিন্নরসি লাক-ও লাক-ও...”

মপুগী ৱাহৈদুদা অঙম্বা হরাওনা খূবাক খুরি। সনাজাওবসু, তম্ফাসু নোক্লিংবা খাঙনা খোইরুম মোমোন নোক্লি। মমৌ তম্ফানদি মতাবু চারে খন্দুনা তপ্পা,

“বাবা, ইমা, ঙসিদি ঐগী নীংবা থুংবা নুমিৎনি। ইমানা মফমসিদা থুংলবা মীকুপ্তুগী নমৌগী থম্মোয়সিনা - কনানসু ইনশিল্লুবা য়াওদা, ইমাবু মপুনা থাবীরকপা ইমামক্লি খঞ্জখি। ইমাগী বাইও-দাটা থিরুবদা ইমাগী হৌখিবা পূন্সিগী ৱারী খুদিংমক নমৌনা কুপ্পা খঙখি। লোয়ননা বাবাগসু মতম অমদা য়াম্না নকশিন্নরম্বগী ৱারীসু...”

ৱা ঙাঙলমদবা নোংয়াইনা মরক থৎনা - “য়ারে- ইমৌ ইবেম্মা, ঐসু নমাগী মরী মখোঙ পূম্বা খঙলগা লাক্লিবনি, নমানা য়াবা-য়াদবা ঐ খঙদে। ঐগী চেরিটেবল হোমগী থৌ পুম্বা নমাদা শিন্নরগে খল্লে। লাংলেন, ৱাখল লমফৈনবা খনগনু নঙ ঐনা হায়জবসি য়াবীয়ু।”

লাংলেন ৱা ঙাঙদে, খল্লি, সিবু মথং মপোক হায়দুরা?

চরাংনরিঙৈদুদা কপ্পগী খোঞ্জেল তাই হায়না য়েংলুবদা ডা. তম্ফামনি মপি শিন্থদুনা কপ্লগা লৈরম্লে, মমাবু নুংশিনা য়েংলগা- “ইমা-নমৌবু ঙাকপীয়ু। ডাক্তর ওইরুবনা ইমাগী অৱাবা মায়থোঙগী মরুমদা ৱারী অমদি লোৎলমগনি থিরুবনি। মতম শাংনা ওজাগী শিনফমদা লৈনা লৈনা য়ূম পানদে খঙখিবদুনা অমুক্কা হেন্না নমৌনা ইমাগী পূন্সি ৱারী খঙনীংদুনা মণিপুরদা লৈবা খঙনা চান্নবশিংগী মতেং লৌদুনা ইমাগী পূন্সি ৱারী পূম্বা খঙলবা মতুংদা নচানুপাগা তান্নরগা ঙসিগী নুংঙাইরবা মীকুপ অসি ওইরিবনি। বাবা-ইমা, নমৌবু ঙাকপীয়ু। ঐখোয় অনীসু মণিপুরদা লাক্কনি, ইমাগা পূন্না চেরিটেবল হোম চাওখৎনবা হোৎনমিন্নরসি। বাবাগী ৱাফম ইমানা হরাও হরাও য়াবীয়ু”। ●

# নেটৱর্ক ইফেক্ট হায়বসিগী মরমদা খঙমিন্নসি - (১)

- আনন্দ লাইশ্রম -

দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমদা য়াওশিনবা মী মশীং অমসুং শীজিন্নবা মী মশীং হেনগৎলিখৈ য়াওরিবা মীয়াম অমসুং নৌনা য়াওরক্কদবা মীয়াম্না হেন্না হেন্না কান্নবা ফংই। মসিবু নেটৱর্ক ইফেক্ট হায়না খঙনৈ। নেটৱর্ক ইফেক্ট অসি ‘দাইরেক্ট’ নৎত্রগা ‘ইন্দাইরেক্ট’ অমসুং ‘same-side’ নৎত্রগা ‘cross-side’ হায়না খায়দোকপা য়াই। খুদম ওইনা, ফেসবূক য়াওরগা ঐখোয় ময়াম্না ঐখোয়গী মরুপ-মপাংশিংগা পাউ ফাওদোক্নে। ঐখোয়গী মরুপ-মপাং খরা হান্নদগী ফেসবূক য়াওরম্বা তারদি ঐখোয়নসু ফেসবূক য়াওরগনা হেন্না কান্নৈ।

ফেসবূক য়াওবগী মহুত্তা ঐখোয়না অতোপ্পা দিজিটেল প্লেটফোর্ম/ সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অমদা য়াওশিনবা তারবদি ঐখোয়না ঐখোয়গী মরুপ-মপাংশিংদুগা পাউ ফাওদোক্লবা ৱাগনি। ঐখোয়গী মরুপ-মপাংশিংগা পাউ ফাওদোক্লগে হায়রবদি ঐখোয়সু ফেসবূক য়াওবা মথৌ তাই। ঐখোয়না য়াওরবা মতুংদা ফেসবূক নৎত্রগা সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অমত্তা য়াওদ্রিবা ঐখোয়গী অতোপ্পা মরুপ-মপাং ময়ামসু ফেসবূকতা য়াওরগনা হেন্না কান্নগনি। মখোয়সু অতোপ্পা সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অমদা য়াওরুবা তারবদি ঐখোয়গা ৱারী ৱাতাই শাবা, পাউ ফাওদোক্লবা ৱাগনি।

শম্না হায়রবদা, মীয়াম্না ফেসবূকতা হেন্না য়াওরিখৈ অতোপ্পা মী ময়ামসু ফেসবূক য়াওবদগী হেন্না কান্নবা ফংবা অদুনা মরম ওইদুনা ফেসবূকতা সুম য়াওশিল্লক্কনি। মসিবু ঐখোয়না ‘direct network effect’ নৎত্রগা ‘same-side network effect’ হায়না খঙনৈ। হৌজিক্কী মতমদা ফেসবূকতা য়াওরিবা মী মশীং অসি বিল্লিয়ন ৩গী মথক্তনি। ফেসবূকনা থেংনরম্বা সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্ম কয়া অমা ফেসবূকনা থেংনবা ঙমদবদগী থবক থিংজিনখিবা লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা হান্না মতম খরা মমিং চৎলম্বা Orkut ফেসবূকতা য়াওশিনবা মী মশীংনা সুম হেনখিবা অদুনা অনৌ অনৌবা মীয়ামসু ফেসবূকতা ওইনা হেন্না য়াওশিনখি। অদুদগী Orkut অমসুং MySpace তা মশীং সুম হন্থরকখি। অদুনা মরম ওইদুনা অরোইবদা মখোয় থবক লেপখি।

ঐখোয়না নীংশিংবা য়াই, মী অমনা ফেসবূক অমসুং Orkut অনীমক্তা য়াওবা য়ারম্মী। মসিবু “Multi-Homing” হায়নসু খঙনৈ। Multi-Homing তৌখিবা মীওই কয়া অমা লৈনরম্মী, ফেসবূক খক্তদা নত্তনা Orkut তসু য়াওবা মীওই কয়া লৈরম্মী। অদু ওইবা তারবসু, নোংমদা পুং ২৪ খক্তনি, মী খুদিংমক্না ফেসবূক অমসুং Orkut তা মতম চপ মান্ননা কায়থোকপা ঙমখিদে। মতম খরা লৈরক্লগা মীয়াম্না ফেসবূক ওইনা সুম হেন্না শীজিন্নরকপদগী Orkut শীজিন্নবা তপ্পা তপ্পা থাদোক্লখি। মসিনা মরম ওইদুনা অরোইবদা Orkut থোঙ থিংজিনখি।

অতোপ্পা খুদম অমসু য়েংমিন্নসি। ময়াম্না পোৎ-চৈ লৈথোক-লৈশিন তৌবদা অয়াম্বদা অমাজোন অমসুং ফ্লিপকার্ট শীজিন্নৈ। নীংশিংমিন্নসি, অমাজোন অমসুং ফ্লিপকার্টনা মশাগী পোৎ-চৈ শাবা নত্তে, পোৎ-চৈ শাবা ময়ামগী পোৎ-চৈশিংবু লৈনীংবা ময়ামদা খঙহনবা অমসুং য়ৌহনবনি। অমাজোন নৎত্রগা ফ্লিপকার্টতা য়োল্লিবা পোৎ-চৈগী মশীং হেল্লিখৈ পোৎ-চৈ লৈনীংবা মীসু হেন্না য়াওশিনগনি। পোৎ-চৈ লৈনীংবা মী মশীং হেল্লিখৈ পোৎ-চৈ য়োন্নীংবা মীগী মশীংসু অমাজোন নৎত্রগা ফ্লিপকার্টতা য়াওশিল্লক্কনি। মসিদা ঐখোয়না ‘cross-side network effect’ নৎত্রগা ‘indirect network effect’ হায়না খঙনৈ।

ঙসিদি ইন্দিয়াদা ফ্লিপকার্ট শীজিন্নবা পোৎ-চৈ লৈনীংবা (buyer) মশীং মিলিয়ন ৫০০ মুক লৈ অদুগা অমাজোন ইন্দিয়াদনা মিল্লিয়ন ৪৫০ মুক লৈ। পোৎ-চৈ য়োন্নিংবা (seller) মশীংনা মিল্লিয়ন ১.৪ মুক ফ্লিপকার্টতা য়াওই অমসুং অমাজোন ইন্দিয়াদনা মিল্লিয়ন ১.২ মুক য়াওই।

নেটৱর্ক ইফেক্টনা মরম ওইদুনা দিজিটেল প্লেটফোর্ম কম্পনি কয়া অমা থবক লেপ্পা/থোঙ থিংজিনবা য়াই অদুগা দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমা/অনী খক্তনা হিংহৌবা য়াই। মসিবু 'Winner-takes-all' নৎত্রগা 'Winner-takes-most' হায়না খঙনৈ। ●

(মখা চৎথজরকখিগনি)

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্লা মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (৩)

- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -

লাইনিংহলনা লময়ানবীরম্বা লম্বী লমদাংদা মহাক্লা লাউবিরম্বা লাইপাউ অমদি লাইশোনতনা মীতৈগী থম্মোয়দা চংলগা ঐখোয় পূম্নমক মীকপ থোক্লক্লিবনি। পলেম পন্থৌগী খোঙ্গুল লীজরক্লিবনি। লাইনীংহল ফুলোদি মীতৈগী অমত্তা ঙাইরবা তাইবঙ শেম্বা মপুনা থাবীরকপা লাইপোকনি। লাইপোক ওইবা মহাক অসিমক ফংজরমদ্রবদি মীতৈ ঈরুপতি মতম চুপ্পগী ওইনা তুমখিরম্বসু য়াই।

অহলনা তাকপীরম্বশিংগী মনুংদা মীতৈ ঐখোয়গী য়েক অসিবু মুখুৎতুনা গোত্রদা তিল্লবদি পাখংবা, সনামহীগী মফমদা য়াম্না চাউনা লংজবা থোকই। পাখংবা সনামহীগী ৱারী, লাইরোনসি খঙদ্রবদি অরেম্বা ওইনা তারিয়ে। মসিনা অরেম্বা ওইরবদি মীতৈ হৌভমসু খঙবা ঙম্বগী মথৌ করিসু লৈতে। গোত্রগা য়েক্কা মরী থোক্লবগী ৱারীদি খঙলমদে, গোত্র খঙলমদ্রবদি মতম অদুগী মীতৈ ইপা ইপুদু মপা মপু খঙলমদবা তারিব্রা মসিদি পুশিনবা য়াদবা ৱানি। অঙম্বা নিংথৌ ইবুংঙোশিংগী হাক্তক্তা গোত্র শেমখ্রবসু হৌজিক অসিদদি উৎনা ৱাইনা কুপা য়ারোইদবা ইথক অমা লাক্লে। ঐগী ইপাবু কাউরুদুনা মীগী মপাবু ইপানি হায়রুবসি খঙুদবা মরমদগীনি। মীগী মমা মপাবু পীজরুরগা ঐগী ইমা ইপানা মবুক থনগদবা নত্তে। লিচৎ (ধর্ম্ম) হায়বসি মীওইবগা থানবা য়াদ্রবা, য়াম্না মরু ওইবা অমনি। ‘লিচৎ’ ঙাক্লা চৎপা ঙমদ্রবা লিচৎ পূম্নমক খঙবা ঙমদ্রবদি অদুগুম্বা মীশিং অদুনা শেম্বা খুন্নাই অদু কান্নদ্রবনি। খুন্নাই অমবু মশক তাক্কদৌরিবা অসি লিচৎননি। মরিক চুম্বা ‘লিচৎ’ পুরক্লবগীদমক্তা - “থাইন নোংইন” ইবিরমদুনা লাইনিং লম্বীনা অথোইবনি হায়দুনা মাং থানা থম্লগা তাইবঙপানগী য়াইফনবদা পাঙ্গল লৌশিং শীজিন্নরগা লাইনীং লম্বীদু ফংগদৌরিবনি হায়না তাকপীরম্মী। খুন্নাই অমবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা, ইপুরোই অপোকপগী মঙালবু ফংনবা তাল্লকপদা ফম্বী কায়বরোল ঙাক্লা চৎকদবনি হায়রম্মী। মসিগা লোয়ননা মীতৈগী মশাগী ওইবা থায়নদগী শাগোন্নরকপা লাইদি য়ূমলাই অমদি উমং লাইনি। মীতৈশিংনা নুমিৎ খুদিংগী তত্তনা চাং অমা নাইনা নীংবা অমদি খুরুমজবা লাইদি য়ূমলাইনি, অদুগা কুমজা নাইনা অকক্লবা মতম নাইনা খুরুমজবা অমদি ইরাৎচবদি উমং লাইনি। মসি মীতৈ লিচৎকী মপূং ওইবা মশক অমনি। হায়রিবা য়ূমলাই অমদি উমং লাই অসি মীতৈ লিচৎকী ইফুৎনি। (হায়নরি)

লাইনিংহলদি নুমিৎকুম্বনি, ওনশিল্লকপা পূম্নমক্তা মঙাল পী। মহাক্কী খুথেং অমতং ফংজবদা মমদুনা লৈরম্বা থম্মোয় অদো ঙালহল্লি। মহাক্কী য়াকাইরোন্দা থম্মোয় ময়োন চোংহল্লি, তূমদুনা লৈরবা থৱায় অদু নৌহৌনা মীকপ থোকহল্লি। থম্মোয়নুংদগী মিরবা খোঞ্জেল অমনা পংথরবা কয়াৎপুম্বা শিংগৎহল্লি। ●

(মখা চৎথজরকখিগনি)

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২১গী ৱাহং

১) “কৃষ্ণ চরিত” হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

২) “নাটক অমসুং সমাজ” হায়না মিংথোনবা ৱারেং অসি অপূনবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা ৱারেং লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

৩) “অরাম্বাই মকু” হায়বা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) “নোংদম” হায়বা দ্রামাগী লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) “শান্তিগী লৈরাং” হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবা অসিগী মমিং ইয়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।